# জিরিবাম মীফম্না থাও চিংথোকপগী পব্লিক হিয়ারিং শরুক য়াদনবা লেপ্নখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুলাই ২৯ঃ* মণিপুরদগী থাও চিংথোকপা অমদি মসিগা মরী লৈননা হূৎপা, থিজিনবগা থবক পুন্নমক লেপকদবনি হায়রদুনা মসিগীদমক মফম অহুমদা চত্থগদৌরিবা পব্লিক হিয়ারিংদা শরুক য়াদনবা জিরিবাম মীফম্না লেপ্নখ্রে।

জুলাই ১৬ তা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাংথোকখিবা ''স্টেট লেভেল কনভেন্সন ওন পেট্রোলিয়ম এক্সপ্লোরেসন ইন মণিপুর'' গী ৱারেপ শৌগৎলদুনা ঙসি জিরিবামদা লৈবা জিম্পালগী ওফিসতা পাংথোকখিবা পব্লিক কনসল্টেসন মীফম্না ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

গর্ভনমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমদি নেদরলেন্দসতা বেজ তৌবা জুবিলিয়ন ওইল এন্দ গ্যাস প্রাইভেট লিমিটেড (জোগপল)না থাও চিংথোকপা নত্রগা হূৎপগী থবক লেপকদবনি অমদি হায়দ্রবাদতা বেজ তৌবা অলফা জিও কম্পেনিনসু মসিগা মরী লৈননা চত্থরিবা থিজিনবগী থবক তোক্কদবনি হায়না মীফম অদুনা অহানবা ওইনা ৱারেপ লৌখি।

থাও চিংথোকপা অসিগা মরী লৈননা জুলাই ৩০, অগষ্ট ৭ অমদি অগষ্ট ১৭ তা মথং শিংনা জিরিবাম, পার্বুং অমদি নূংবাদা পাংথোক্কদৌরিবা পব্লিক হিয়ারিংদা শরুক য়াদবা হায়নসু মীফম অদুদা য়ান্নখ্রে। প্রোপোজ টিপাইমুখ ডামগা মরী লৈননা পাংথোকখিবা পব্লিক হিয়ারিংদা অনিংবা, অপান্বা অমদি হক খংবীখিদবনা থাও চিংথোকপা অসিগী পব্লিক হিয়ারিংসু য়াওফম থোক্তে হায়না মীফম অদুদা লেপ্নখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা জে এ সি ওন হাইড্রোকার্বোন এন্দ রিছোর্সেসকী প্রসিদেন্ট পাওখূই গাংমৈ,মার ইনপূইগী প্রসিদেন্ট অমো, জিম্পালগী এডভাইজর সরত অমদি কোহরগী কনভেনর ফুনিন্দ্রো কোন্সমনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, ইম্ফালগী ষ্টেট লেভেল কনভেন্সন অদুদা জেড এস য়ু, জেলিয়াংরোং বাউডি, নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ন, নোর্ঠ-ইষ্ট দাইলোগ ফোরম, জৌমী হ্যুমেন রাইটস ফাওন্দেসন, সিংলূং ইন্দিজিনস পিপলস হ্যুমেন রাইটস ওর্গানাইজেসন, লাইফৱাটচ, এক্তিপ, সি সি ডি ডি তমেংলোং ভি এ অমদি নাগা পিপলস ফোর হ্যুমেন রাইটসনা শরুক য়াখিবনি।

মীফম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা সি সি ডি ডিগী জোইন্ট সেক্রেটরি জিতেন য়ুম্নামনা হায়, মিনিস্ত্রি ওফ পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাসনা 'জোগপল'দা মণিপুরগী ওইল ব্লোক অনিদগী থাও চিংথোক্নবগী কোন্ত্রেক্ট লাইসেন্স পীখ্রে।

কোন্ত্রেক্টশিং অদু নিয়ু এক্সপ্লোরেসন লাইসেন্সিং পোলিসি আইট রাউন্দ (নেল্প-৮) গী মখাদা পীবনি। পুন্না স্কৱার কিলোমিতর ৩৮৫০ পীবনি অমসুং মণিপুর সরকারনা 'জোগপল' গসু ২০১০ গী নবেম্বর ১৫ দা সাইন তৌনখ্রবনি হায়খি। নেল্প-৪ অমদি নেল্প-৮ গী মখাদা লৈবাক অসিগী কোনুং নিয়ু দিল্লি অমদি লণ্ডন, ইষ্টোন পঠ এন্দ কলগেরি দা রোডশো এক্সর্সাইজ তৌখি। মণিপুরদা থাও কয়া য়াম্না লৈ, মদুগী ষ্টডি তৌরুবগী রিজল্টনা করিনো হায়বা অদু মীয়ামদা খংহন্দ্রি। অদুমওইনমক ৫০০০ বিল্লিয়ন ক্যুবিক ফিট থাও রিজার্ভ মণিপুরগী ওইল ব্লোক অনিদা লৈরম্বা য়াই পান্নরি হায়না জিতেননা মখা তানা ফোংদোকখি।

'জোগপল' গী খূত্থাংদা অলফা জিওনা সেস্মিক সর্ভে চত্থবদা ওইল ৱেল ৩০ লৈ হায়বা খংবগা লোয়ননা মদুগীদমক ৮ মিল্লিয়ন য়ু এস ডোল্লর থাদগদৌরে অমদি মদুনা য়ু এস ডোল্লর মিল্লিয়ন ২৪০ লাক্কনি হায়রি।

টিপাইমুখ ডামগী পব্লিক হিয়ারিং মওং মরিল তাদনা পাংথোকখিবগা লোয়ননা চয়েৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা মীয়ামগী অয়াবা লৌদনা অমদি পাও পীদনা পব্লিক হিয়ারিং শিল্লকপদা মীয়াম্না য়াফম থোক্তে হায়খি।

থাও চিংথোক্নবগী থৌরাং অসিনা জিরি, তমেংলোং অমসুং চূড়চান্দপুর ডিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামদা মপুং ওইনা মণিপুর পুম্বদা পীরক্কদবা শাফূশিংগী মতাংদা কোহরগী কনভেনর ফুনিন্দ্রো কোন্সমনা ৱাফম কয়াসু ফোংদোকখি।